HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



অরোং খুনৌদা লৈবা হেল্থ ফোর ওল ওর্গনাইজেশনগী সিনিয়র সিটিজন হোমদা ওর্গনাইজেশন অসিগী ৩২শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্তুনা সিনিয়র সিটিজনশিংদা খুদোল তন্বা

থম্মোয় পাউদম : মীওইবগী ধর্ম্ম, ক্রিএটিভিটি অমসুং ইগো ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ হৱাইমুবী পাম্বীগী লায়না : চোকোলেট স্পোট
আলুদা তাগনবা তীলশিং ঙাকথোকপা ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ মালেমদা নুপী অমসুং অঙাংদা মীওৎ-মীনৈ তৌবগী ...
ঝরখন্দদা হেমন্ত সোরেননা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবা ক্লেইম... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ য়ুঠ লীগ : জে এনা এ কে এস এ, কে এফ সীনা...

থিএটর দিরেক্টর ইন্দ্রকুমার সোইবমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা খোংমন ৱাখৈ লৌমানবীদা লৈবা জগোয় নাচোম শঙ্গিৎ কলা একাদেমি মহাবিদ্যালয়গী ২৪শুবা মপোক কুমওনদা শরুক য়াখিবশিং



Vol. 48, Issue No. 232 | নিংথৌকাবা, হিয়াঙ্গৈ ২৫নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, November 25, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### ঙসিদগী পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম হৌরগনি

# ওপোজিশননা মৈ চাক্লিবা মণিপুর ১সুং অদানি গ্রুপকী মায়োক্তা খন্ননবা তকশিনগদৌরি

## ভাইওলেন্স থোক্লবসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ঙাক্তুনা থম্লগা ঝরখণ্ডগী চীফ মিনিষ্টর ফাখ্রিবা করিগীনো : গৌরব গোগোই

## মণিপুরগী ভাইওলেন্সকী মতাংদা দিবেট তৌগদবনি : প্রমোদ টিৱারি



গৌরব গোগোই



প্রমোদ টিৱারি

**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লানগী মনুংদা রাজ্য সভা অমসুং লোক সভাগী মীফম থেঙ্খাং খরদা ফমখ্রবা মতুং হৌজিক লান অসিনা থা ১৯ মপূং ফাজিল্লক্লবা তাঞ্জাদা হয়েংদগী হৌরদুনা ফমগদৌরিবা সভা অনীমক্কী নীংথম মীফমদা ওপোজিশন পার্টিশিংগী মনুংদগী কোংগ্রেসনা মাঙজিল থাদুনা মৈ চাক্লিবা মণিপুরগী মতাংদা দিবেট তৌগদবনি হায়বা য়াওনা অদানি গ্রুপ্তা শেঞ্জা-থুমজা তৌই হায়দুনা তৌরক্লিবা চার্জগী মতাংদসু খন্নগদবনি হায়বগী ৱাফম পুখৎলকখ্রে।

ৱাফমশিং অসি মহৌশাদগী চৎনরকপগুম্না হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সভা অনীমক্কী নীংথম মীফমগী মাঙওইননা ঙসি দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা চ্যের লৌদুনা পোলিটিকেল পার্টি ৩০গী মহুৎ শিনবা সভা অনীমক্কী লুচিংবা ৪২না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা কোংগ্রেসকী পার্লিয়ামেন্টতা দেপ্যুটি লিদর ওইরিবা গৌরব গোগোই অমসুং অতোপ্পা কোংগ্রেস লুচিংবা প্রমোদ টিৱারিনা ফোঙদোক্তুনা তকশিনখিবনি।

ঙসিগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা য়াওখিবা গৌরব গোগোইগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা হৌজিক ফাওবা ভাইওলেন্স লেপ্প্রবসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরবু মখা তানা শৌগৎলি অদুগা ঝরখণ্ডগীনা চীফ মিনিষ্টর ফাওবা ফাখি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। মরম অসিনা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী হয়েংদগী হৌগদৌরিবা মীফম অসিদা পুখৎলক্কদবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল থম্লগদবনি : এক্স আর্মি চীফ জেনরেল ভি পি মালিক



**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিগী লান্মীগী মকোক থোংবা লুচিংবা আর্মি চীফ ওইরমখিবা জেনরেল ভেদ প্রকাশ মালিকনা মণিপুরদা লেপ্তুনা থোরক্লিবা ভাইওলেন্স অসিনা ষ্টেট অসিগী ফীভম অসি লাকশিনবা ঙমদবগী ফীভম লাকপদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## জিরিবামদা থা ৮গী অঙাং য়াওনা মীচম ৬ হাৎখিবগী মায়োক্তা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎনবগীদমক ষ্টার অমদি অন-ষ্টার ক্বেশনশিং পীশিনখ্রে : বিমোল অকোইজম



**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংসিদা অনৌবা মায়ওন অমা ওইনা জিরিবামদা থা ৮ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং মচা য়াওনা মীচম ৬ ফাজিন্দুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সুপ্রিম কোর্ট : সী এমগী ওদিও ক্লিপনি হায়দুনা ৱাকৎলকপা কেসকী ৱায়েল ঙসি চথরগনি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** লোইবা খন্বা নাইদ্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লানগী চৈরক্তা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংনি হায়দুনা ক্লেম তৌরকপা 'ওদিও ক্লিপ' খরগী মায়োক্তা কুকি ওর্গনাইজেশন ফোর হ্যুমেন রাইটস ত্রষ্টনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকখিবা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭০২ ওফ ২০২৪ (পি আই এল-দব্লিয়ু) গী মখা তাবা





ৱায়েল ঙসি চথরগনি।

পিটিশন অসিগী ৱায়েল চথনবগীদমক কোর্ট অসিগী হয়েংগী টেন্টেটিভ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ২৬তা লিষ্ট তৌখ্রে। পনবা য়াবদি, ত্রষ্ট অসিনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিশন অসি থা অসিগী ৮দা মতম ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## জিরিবাম মীহাৎকী মায়োক্তা য়ু এনদা লূপ তরেৎনা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১১দা কুকি টেররিষ্টশিংনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবা থা ৮গী অঙাং য়াওনা মীওই ৬পু ফারবা মতুংদা তমথীবা মওংদা হাৎখিবা অমসুং মীওই ২বুনা মৈ থাদুনা হাৎলম্বগী মায়োক্তা জষ্টিস ফংহনগদবনি হায়না তোঙান তোঙানবা লূপ তরেৎনা য়ুনাইটেদ নেশন্সদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা ৱাকৎখ্রে হায়রি।

ঙসি য়ুনাইটেদ নেশন্সতা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা খুৎয়েক পীখিবশিংনা য়েলহৌমী ফুরুপকী আর কে বিজয়ালক্সমি, তরাগী চৈশুগী আর কে নিমাই, সোলিদরিটি ওফ দ য়ুনাইটেদলি ফোর এ লষ্ট্রেটেদ সোসাইটিগী এ কবিতা, য়ুঠ কলেক্টিভ মণিপুর (ৱাই সী এম) গী য়াইফবা খুমন্থেম, মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিএশন দেল্লীগী কে ঐচ সোমেনন্দ, নুপী য়ুনিয়ন ফোর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটিগী সী ঐচ থোইবী অমসুং মণিপুর ইন্টরনেশনল য়ুথ সেন্টরগী এম সী মীতৈনি হায়রি।

ৱাকৎ চেরোল অদুদা লাঞ্জেন্নরিবশিংবু চঙজফম পীরিবা পুলিস ষ্টেশন অদুদা নীংথিনা শেম শারগা অকনবা এটেক চথখিবনি অমসুং থৌওং অসিমক নুপী অঙাংগী মায়োক্তা কাঙলূপকী ঈরাংগী মিংদা কুকি-জো মিলিটেন্টশিংনা চথখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট জুদিসল ইনক্বারি কম্মিসন অমা লিংখৎপীনবসু হায়জখি হায়রি।

## পি এম জি এস ৱাইগী থবকশিং পায়খৎকদবদা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা ফন্দ থাদোক্তবদগী সেন্টরনা মখা তানা ফন্দ পীরক্তবগী ফীভমদা লৈরে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সড়ক যোজনা (পি এম জি এস ৱাই) স্কিমগী মখাদা মণিপুরদা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলকপদা মণিপুর লৈঙাক্কী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা থাদোকফম থোকপা স্কিম অসিগী ফন্দশিং থিংজিন্দুনা থম্লগা থাদোরক্তবদগী মখা তানা স্কিম অসিগী ফন্দ য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা পীরক্লরোইদ্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভেলপমেন্টনা শেনবা চহী ২০২৩-২০২৪গী পি এম জি এস ৱাই স্কিমগী মখাদা মণিপুরদা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা থবকশিংগী সেন্ট্রেল স্যেরগী শেনফম লুপা ক্রোর ১৬১.২৮৭৫ অদু চৎলিবা চহীসিগী মার্চ ২৭তা থাদোরকখ্রবনি। সেন্ট্রেল স্যের অসিগী মথক্তা ষ্টেট লৈঙাক্কী স্যেরগী শেনফমনা লুপা ক্রোর ১৭.৯২নি হায়রি।

সেন্ট্রেল স্যেরগী শেনফম অসি মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্না পুথোকফম থোকপা ষ্টেট স্যেরগী লুপা ক্রোর ১৭.৯২গা পূন্না ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## জিরিবামগী মীহাৎ : চীঙ্খৈঙানবা, হৈতোনবী অমসুং রানি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপা ওইরম্লে : এজেন্সী

**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :** থা অসিগী ১১দা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরকখিবা মীওইশিংগী মনুংদগী থা ৮গী অঙাং অমা য়াওনা অঙাং অহুম অমসুং মখোয়গী মমাশিং য়াওনা নুপী অহুমবু কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ চিন্দোলদা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা তমথীবা মওংদা হাৎলগা বরাক তুরেলদা থাদরকপদগী মথং-মথং ফংদুনা সিলচর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী মোর্চ্যুৱরিদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন পাঙথোকপদা মখোয় তরুক্কী মনুংদগী চহী ২ মখায় খক্তা ঙাইরিবা লাইশ্রম চীঙ্খৈঙানবা অমসুং মহাক্কী মমা হৈতোন্বী (২৫) অমদি য়ুরেম্বম রানি (৬০) দি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপনি হায়না পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্টতা ফোঙদোরক্লে হায়রি।

ৱাফম অসি পাউগী এজেন্সী অমনা রিপোর্ট তৌরকখিবগা লোয়ননা চহী ২ মখায় খক্তা ঙাইরিবা চীঙ্খৈঙানবগী মমায়দা নোংমৈ মরূ অমগী পানফম লৈরম্বগা লোয়ননা মহাক্কী থবাক অমসুং খূৎতনা থাঙফমশিং লৈরমখি অমসুং ওইথংবা মখূৎসু তেক্লমখি হায়রি।

অঙাং অসিগী মায় য়াওনা থবাক্তা অতুম্বা খূৎলায়শিং শীজিন্নখিবগী খুদমশিং ফংখিবদা নত্তনা মহাক্কী য়েৎ থংবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মীতৈ মূখৎনবা লান্দারক্লিবা অসি মায়োক্নরি : সী ও এ এস চাউবা



**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ :** কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেসন ফ্রন্ট লিংখৎখিবগী ৬০ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা নীংতম্বা খক্তনা ইরমদমসিদা থোক্লিবা ৱাথোক-লান্থোকশিং অসিগী অমত্তা ঙাইরবা ৱাখৈনবগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী ৬০শুবা মপোক কুমওন মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ :** য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) কী ৬০শুবা মপোক কুমওন মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে হায়না কোইরেংনা লুচিংবা লালহৌলূপ অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) এম শকহেননা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি নবেম্বর ২৪, ২০২৪ (নোংমাইজিং নুমিৎ) য়ু এন এল এফ : মণিপুর শাফোংলকখিবগী ৬০শুবা মপোক কুমওন থৌরম পার্টিগী সী ঐচ ক্যু, এম পি এগী জি ঐচ ক্যু, মণিপুরগী মনুং অমদি মপান্দা লৈবা য়ুনিটশিংদা অমদি এম পি এগী বট্টালিয়নশিংদা মীয়ামগা লোয়ননা মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে।

কুমওন নুমিৎ অসিগী মপূং ওইবা থৌরমদি পার্টিগী সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টরদা পার্টিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## লৈবাক কনবগী পান্দম অমত্তা ওইবনিনা থবক পূন্না তৌমিন্নসি : নোংয়াই





**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ :** লৈবাক কনবা হায়বসিনা মান্নবা পান্দম অমত্তা ওইবনিনা মনুংদা লৈবসু মপান্দা লৈবা ঐখোয় পূন্না পান্দম অমত্তা ওইবনিনা থবক পূন্না তৌমিন্নসি হায়না পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ)কী এক্টিং চ্যেরমেন মোইরাংথেম নোংয়াইনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কুকি টেররিষ্টশিংনা মফম অনীদা কাপশিল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** মমাঙদসু য়াম্না তোয়না নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা মফমশিং ওইদুনা লাক্লিবা ইম্ফাল ইষ্টকী শবুংখোক খুনৌদা খুল অসিগী মনীংদা লৈবা শনাওচীং চীংজিনগী চীংয়াংদগী ঙসি নুমিদাং পুং ১০.০৫ রোম তারকপদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপশিল্লকখ্রে। মখোয়না কাইহৌরকপদগী খুল ঙাকপা খরনসু নোংমৈ মরূ খরা হন্দুনা কাপখি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ১০.১০ রোম তারকপদনা থম্লাপোকপী তম্না খুল অসিগা নক্লনা লৈবা উয়োক চীংদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ খরসু কাপশিল্লকপদগী খুল ঙাকপশিংনসু হন্দুনা খূৎ থোক্লখি। অদুম ওইনমক থৌদোক অনীমক্তা অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈখিদে। অদুবু খুল অনীমক্কী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং নক্লা লৈরবসু করিমত্তা কান্নদ্রে। কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্নীংবা মতমদা কাপশিনবা ঙম্লে হায়রদুনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংদা পেন্দবা ফোঙদোক্লরকখি।

## বি পি ষ্ট্রোক তৌবদগী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইপুরোইবগী খনবদা য়াম্না ৱারে, ইপুরোইবগা পূন্না শিমিন্নখ্রসিরা হায়না খনবা ফাওবা য়াওরক্লে : দেবেশ্বরি

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা**

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা লেপ্তুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসিগী মনুংদা থোকখিবা য়ূম কয়া মৈ তুম্না থাদোক্তুনা তাল্লকখিবদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবশিংগী মনুংদা অমা ওইনা কাংচুপ চীংখোঙদগী লাঞ্জেল্লক্লগা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী কৈথেল্লাকপম দেবেশ্বরি (৫৫) না ফোঙদোরকপদা বি পি ষ্ট্রোক তৌবদগী লায়েংনবা শেল লৈতদুনা লায়েংদ্রিবা



ইপুরোইবগী খনবদা কোক্তা খূৎ হাপ্লে। করিগুম্বা মতমদা ইপুরোইবগা পূন্না শিমিন্নরসিরা হায়দুনা ফাওবা খনবা য়াওরক্লে।

মহাক্না পাউচে অসিদা হায়, লান অসি হৌরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদগী ঐগী ইপুরোইবা কৈথেল্লাকপম মনিবিকেন বি পি ষ্ট্রোক তৌদুনা লৈরকপনি অদুবু মমাঙ চহীগী মে ৩দগী লান হৌরকখ্রবসু কাংচুপ চীংখোঙদদি য়ৌশিল্লক্কনি হায়বা থাজখিদে অদুবু মে ৪, ২০২৩দা খঙহৌদনা কাংচুপ্তসু য়ূম মৈ থাবা হৌরকপদগী মীয়াম কোইচেন চেন্নখি। ঐহাকসু তৌফম খঙদবদগী ইপুরোইববু গাড়ী অমা ৱাইদুনা ইচানুপী অহল ইরোম মৈজ্রাওদা ময়ূম পানখিবী অদুগী মনাক্তা চৎখি। ঐগী ইচা অহুম্নি। ইচানুপীনা অহলনি। ইচানুপা অতোম্বনা দেল্লীদা থবক মচা অমা তৌদুনা মপাসু নাশিল্লকপনা য়ূমগী লৈত-লায়র মতেং পাংলকখি। ইচানুপা য়াইমা খক্তমক য়ূমদা লৈবনি। অসুম্না কাংচুপ চীংখোঙদসু য়ূম মৈ থাবা হৌরকপদগী ইপুরোইবদি চৎপসু ঙমদবনিনা ইচানুপীগী মনাক্তা থৈদোক্তুনা থম্লুরবা মতুং নোংমৈ কাপ্নবা অমুক হৌরকপদগী লৌবুক্তা পাকথরগা লোৎপা কয়ারক য়াওখি। নুমিদাংৱাইরমদনা য়ূমদা অমুক হঞ্জিন্দুনা লৈখি। ঐগী য়ূম অদুদি কুকিগী য়ূমগা থংননা লৈবনিনা ময়াম্না য়ূমদা লৈরগনু হায়দুনা কৌথোরকপদগী অমুক চেম্থোরক্লগা ফয়েংদা লৈবা খঙন-চান্নবশিংগী য়ূমদা লৈরকখি। ইচানুপা য়াইমদি খুল ঙাকপা য়াওদুনা লৈহৌখি।লান অসি নোংমা-নীনি তৌরগা তোকখিগদবা মানখি অদুবু কুইশিল্লকপদগী মীগীদা অদুমক লৈবদা খুদোং চারক্তবা অমসুং ইপুরোইবসু মশা শোনবনিনা ইচানুপীগীদা কুইনা থম্বদসু খুদোং চারকখিদে। মরম অসিনা অশোনবা ইপুরোইববু ইচানুপীগী মনাক্তগী লৌরুরগা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্প অসি নুপী ঙাক্তগী ওইরবসু ঐনা কেম্প অসিগী সেক্রেটরিদা হায়নজরগা ইপুরোইবগা পূন্না লৈরকখিবনি। (মথং-মথং)

## ইবোতোম্বী খুমন লৈখিদবদা কে সী পিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ :** কংলৈপাক কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী মেম্বর ইন-চার্জ (ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটি) এস মঙালনা থোরকপা চেরোল অমদা লৈখিদ্রবা হৈক্রুজম ইবোতোম্বী খুমনগী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎলকপগা লোয়ননা কে সী পি-এম এফ এলনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী চ্যেরমেন ওইরম্বা ইকায়খুম্নজরবা লুচিংবা হৈক্রুজম ইবোতোম্বী খুমন এলিয়জ ঙমদাইরেল...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ঙসিদগী স্কুল, কোলেজশিং হাংলগনি হায়রম্লগা ছুটি ওইনা থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেশনগী দিরেক্টর অমসুং হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেশনগী মায়কৈদগী হয়েংদগী হৌরদুনা ষ্টেট অসিদা লৈবা স্কুল অমসুং কোলেজ পুম্নমক মহৌশাগুম্না হাংদুনা লাইরিক লাইশু তম্বা হৌরগনি হায়না ওর্দরশিং থোক্লম্লবা মতুং ইকান কান্নদনা লোয়শঙ অনীমক্কী মায়কৈদগী থোরকখিবা তোঙান তোঙানবা ওর্দরশিংনা হয়েংদগী মহৈশেঙশিং হাংলগনি হায়খিবা ওর্দর অদু নমহৎলগা মহৈশেঙশিং অসিবু হয়েং অমসুং হংচিৎ ফাওবা নুমিৎ নীনিগী ওইনা ছুটি থারগনি হায়বগী ওর্দর ওইনা থোরকখ্রে।

## ঙসি নুমিৎয়ুংবা ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংগী মায়কৈদগী থোরকখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না হয়েং অয়ুক পুং ৫দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপা ফাওবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্লগনি হায়রি।